## এডিটোরিয়েল

### মণিপুর পুলিসপু খুৎলায় ওইহনবা

*হন্দক মরিপুরগী মনুংদা মরম চাদনা নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননা মখোয়গীনি হায়না লৌবা এরিয়াদা মৈতৈশিংগী গারী চেনবা য়ারোই হায়না গারীগী চে চাং লৌশিনখিবা অমসুং অথিংবা থমজিনখিবা অদুগী মতাংদা য়াম্না মরী লৈনবা অমা ওইনা এন এস এফ তা মণিপুর সরকারনা চংজবদৌনা মরম ইচা চাদনা পুলিস পার্সোনেল ৫ সস্পেন্দ তৌখিবা মদুগী মতাংদা কংগ্রেস সরকার অসিনা লৌখিবা ফিরেপ অদুগী মায়োক্তা কংগ্রেসকী লেজিসলেচর ২০ না হৌরকখিবা ইহৌ অদু য়াম্না মরম চাবা অমা ওইনা মীয়াম্না লৌই। হৌজিক মখা তানা লাক্লিবা ৱাফমদি সরকার পায়রিবা এম এল এ শিংগী মনুংদা অচৌবা মত খেন্নবা অমা লাকপা অসিনি। মসিনা তাকপদি হৌজিক লৈরিবা সরকার অসি খ্বাইদগী মথোঙ খঙদবা সরকার অমা ওইরে হায়বসিনি। মসিমক্না সরকারগী প্রোব্লেম ওইদ্রবসু ৱায়েল থৌদাদদি য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমা ওইরে। মসিদগী হৌজিক লেজিসলেচরশিংগী মনুংদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরিবসি সরকার অসিগী ওইনা তুংগী খনদবা ফিরেপ অমা ওইনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা মওংদা প্রোব্লেম সোল্প তৌনবা হোৎনবা অদুগী অশোয়বা লৈ হায়বসি তশেংনা মীয়াম্না ফোঙদোকপগা মান্নরে। হৌজিক লেজিসলেচর খরনা সরকারগী ফিরেপ অদুগী মতাংদা অচৌবা ফিরেপ অমা লৌদুনা পুলিস পার্সোনেলশিং মরম চাদনা সস্পেন্দ তৌবা য়ারোই হায়না তকশিল্লকপদগী হোম মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরিবা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগীসু প্রদিদেন্ট ওইরিবা মীওই অমগা মণিপুরগী সি এম গা লৈনবা মরী অদুসু চাউনা মত খেন্নবদৌনা উহল্লে। মসিনা তাকপদি সরকার অসিগী ষ্টেবিলিটি অসিদা শিংনবা অমা লাক্লে হায়বসিনি। দিপুটি চীফ মিনিষ্টরনা মমাঙদা মহাক্কী মখাদা লৈবা মণিপুর পুলিসকী পার্সোনেল অমত্তগী মরাল লৈতে হায়না মমাঙদা ফোঙদোকখ্রগা মণিপুরগী মনুংদা লৈবা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট কী মফম অমদা এন এস এফ না মৈতৈগী গারী চংবা য়ারোই হায়না থিংখিবা অদু মরম চাদবা অমনি অমসুং মদু এন এস এফ কী জুরিসদিক্সন মনুংদা লৈতে হায়বা খঙহন্নবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎতনা মদুগী ওন্ন-তৈন্নবা মওংদা নাগা ষ্টুদেন্টশিংগী বোডি অদু থেমজিন্নবা মওংদা ইখঙ খঙহৌদনা পুলিস পার্সোনেল খর সস্পেন্দ তৌরকপা হায়বসি হোম দিপার্টমেন্টকী খ্বাইদগী লুদবা থৌওং অমনি হায়না লৌবদা লান্দে হায়না খল্লি। মমাঙদা আই এল পি সিষ্টেম অসি মণিপুরদা চৎনহনগদবনি হায়না হৌখিবা খোঙজং অদুদা পুলিস ওফিসার অমনা নুপী মহৈরোই অমগী মশম লাক্কুনা চিংলগা অথিবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা ঙাং শকখিবা অদুগী মতাংদা মীয়ামগী ইহৌ লাক্কুনা পার্সোনেল অদু চৈরাক পীয়ু হায়খিবা মতমদা হোম মিনিষ্টরনা মদু পুলিস অমা ওইবগী ওফিসার অমা ওইনা চথখিবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখ্রগা হন্দক্না অমুক মরম চাদবা মওংদা লুই-ঙাইনি সেলেব্রেসন হায়বা মণিপুরগী তাম্বুল ফুরুপ্না মরুওইনা লুচিংলগা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াবা লাকপনি হায়বা নাগালেণ্ডগী মহৈরোই লুপ অমদা তাথি-তাওইনা তৌই হায়বগীদমক পুলিস পার্সোনেলশিং থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবা হায়বসি য়াম্না মথোঙ হুক্তবা সরকারগী থৌশিল অমনি হায়না লৌবা তাবনি।মসিদি লৈবাক ৱায়েলগী খ্বাইদগী মরিং মরাংবা থৌশিল অমা ওইগনি খল্লি। য়ারগদি মখা তানা প্রোব্লেম অসি থোকহন্দনবা সরকার অসিনা অকনবা ফিরেপ অমা লৌবা তাই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### তুমিন্না-তোকখিগদৌরিব্রা খোঙফমসিবু?

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*তশেংনা অপান্ননা চথরক্লিবা থৌওংসিদা ঙসিগী লমদমসিগী হোমগী ফম পায়বিরিবনা ট্রাইব মশেলনি হায়দুনা-তুমিন্না লৈথোক্কদৌরিব্রা নৎত্রগা মসি য়েংবা য়াবা- য়েংশিনবা হৌরগনি হায়রগা লোইশিনগদৌরিব্রা? থেংখাং কয়া অমসু হৌখ্রবনি, ঙসি লমদমসিদা নাগা হায়বা ফুরুপ অমা লোন্দিন্নদবা ট্রাইব ময়াম পুনশিনহন্নবা নোংমৈ গুলিনা চেন চেন্দুনা শেল্লকখিবা লোল ধর্ম্মা তিন্নরকখিদবশিং ঙসিদি খৃষ্টান ধর্ম্মনা লাইনিং লৌদুনা চথরক্লিবা ক্রাইম কয়া ঙসিসু লোইদরি। হায়নিংবতা হায়বা ঙাংনিংবতা ঙাংদুনা লানবা চুম্বা তোপ্না থমখ্রগা মীওইবগী চৎনবীগী ৱাংমদা তত্তনা মীতৈ ফুরুপ অসিদা য়েক্লবা অমগুম্না তৌরকই। মীতৈনদি ঐখোয় ইচিল ইনাওনি হায়দুনা থায়নদগী চৎনরকখিবা কয়া লাইগী পরমনচিংবদা মখোয়গী ফম্ফম অমদি কন্দুনতা থল্লি। মমাংঙৈদা খঙনরম্বা চৎনরম্বসি তাংখুল, কবুই, মাও, মরাম, চীরু হায়দুনা খুল মচা মচা কয়া অমা লৈরকইবনি। অদুবু মতমদুদা মথক্কী হায়রিবা খুল মচা মচাশিংগী মশাগী লোল, ধর্ম্মগী চৎনবীশিং তোখায়না লৈরকখিবা ঙাকনি। ঙসিদি মখোয়না নাগা খোম্থোকসিদা পুক্নিং লুপচবা কয়ানা য়াম্না তোয়না ইহৌ কয়া শাগৎলক্লি। মসি লমদমসিগী মীয়াম্না শকখঙলিবা মন্ত্রি মণ্ডল ওফিসার কয়ানা অচুম্বা লাল্লোং কয়া শেমগৎহৌদ্রবদি লান্না লান্না চৎখিবা তাবনি। ঙসি মখোয়না অরানবা লিচৎ কয়া চথরকইবশিংবু মখোয়গী মপা মপুশিংনা চৎনরকখিবনি হায়দুনা নৌরিবা অঙাংশিংদা লাননা লমজিংলি। অরানবতা তৌরগা পোথাজবা পামজবা কয়ানা লমজিং লমতাক্লিবশিং ঙসিগী লমদমসিগী মিনিষ্টরশিং ওফিসারশিংনা অচুম্বদু পুথোকপা ঙমদনা চুমিন্না লৈথোক্লি। তুমিন্না লৈরগা ফগনি খঞ্জবা লৈঙাক মপুশিংগী লিচৎ খঙলবা অরানবতা পামজবশিংনা অরানবা পাউজেল কয়া শন্দোকপা হেনগৎলকই। তৌবিগদবা লুচিংবশিংনা লৈমা জগোয়, রাশ য়েংদুনা মতম লোয়নবা হোৎনখিবনা ঙসি প্রজা কয়াদি পেন্দবগী মৈরী চাকখৎলক্লি। পেন্দবদগী লাও-খোংবনদি মৈরী মুৎকদবা নত্তবনিনা লুচিংবশিং তান্নবা খোম্থোক কয়া লাওরুরগসু অঙম্বনি হায়দুনা শক্তি লান্না শীজন্নরক্কনি। তশেংনা মীতৈ ফুরুপসিনা মখোয়গুম্না পুকচেল পীকপা ওইরম্লবদি ঙসিগী লমদমসি তোপ-তোপ্না উরমগনি থাজে। ফুরুপ খুদিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা তোয়না ইহৌ শাগৎলিবসি ঙসিফাওবা খাং খাংদুনা লাকপনি। খাম্বা ঙমহৌদবা মীকুপ অমদা মুস্লিম ইচিন ইনাও কয়াগা পামদবা থৌদোক থোকখিবা লৈ। হৌজিক লমদমসিগী লুচিংবা ওইবিরিবা কয়ানা মীয়ামগী মপী মপা অমা ওইবগী গুনশিং য়াওদবনা নম্ফু হাফুদা লৈঙাক চুপ্লি পায়বনিনা মীয়ামদা তায়োন্ননা উরিবসিনি। করি মরমগীদমক অপান্ননা মীতৈগী গারীশিং চৎপা য়াদবগী খোঙজং চংশিল্লকইবশিং অসিদা ঙসিমক হোম মিনিষ্টর কনাগী ৱা ঙাইরিবনো? করিগুম্বদা খোঙজং অসিদা মীতৈনা ওইবা তারম্লবদি হোম মিনিষ্টর মরোল থোরক্কনি লোয়ননা শক্তি লৈবা সিপোই বাটালিয়ান কয়া পুথোরক্তুনা শাষণদা নৈবগুম্না নৈরক্কনি। হৌজিক চহী লোইগদবসু মতম শাংনা লৈরক্তুবনিনা ৱাখল খরদি খম্বা চুল্লে। লমদমসিদা য়াম্না তোয়না ইহৌ শাগৎলিবসি নাগা হায়বসিগী ফুরুপসিনা তোয়মনবদগী ঙসিদি কুকি ফুরুপ অসিসু খুদুংইনবা হৌরকইবসিনি তশেংনা নাগা হায়বা জাতি অমা হৌরকঙৈদগী লৈরকখিবা নত্তবসিনা খেন্নবা জাতি কয়া পুনশিল্লকপনা মরম ওইবনা মশাগী লোল লৈবা নত্তে, লৈরিবা লোল অসি মীতৈলোন্না মপুং ওইবনি অদুবু হৌজিক্তি ইংলিস লোলদা নহারোল খরনা ঙাংনবা নত্তনা অতৈদি হান্নগুম লৈরি। মসিদগী হেনবা ফত্তবা ইহৌ কয়া অমা লান্না লান্না চংশিল্লক্কনি হায়বসি হৌজিক লুচিংপুরেলশিং অসিনা অফবা অচুম্বা ৱাখল্লোন অমা মণিপুর তুংকোয়না ইংনা লৈনবগী ঈ য়াওদ্রিমখৈদি লোইবা নাইরোই।*

**অদোমগী**
**নাওরেম থোইবা মীতৈ**
**খা জিরি**

# ৱায়েল– কাঙলোন মোৎশীল্লক্লবদা

লৈবাক অসিদা লৈঙাক্না শৌগৎপা শেঞ্জা থুমজাগী চাং ৱাংমনবা অসিনা ৱায়েল্লোয় ওইরিবা র্জজশিং য়াওনা কেশ থিজিল্লিবা সি বি আইনচিংবা ফাওবা অচুম্বা ৱায়েলদগী নাথৈবা হৌরক্লব্রা হায়না মীয়ামগী পুক্নিং ৱাখলদা চিংনবা ফাওনরি। হন্দক জুলাই ২৩,২০০৯ দা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ময়াইমক্তদা থোকখিবা সঞ্জিৎ মীশিগী মরীদা মীহাৎপা হেরোজিৎনা জবান পীবা লাকপদা জজ লৈরমদবা অদু অতৈ মথৌবুদি লৈরবা য়াই, অদুবু অচুম্বা ৱায়েল পীফম থোকপা ৱায়েলশঙনা মোৎশীল্লকপগী থৌওং মাল্লকপা অমসুং মীয়াম্না চিংনবা পোক্নরিবা অসি কোক্লবগী পাউখুম ফংখিগদ্রা ফংলরোইদ্রা? মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংনি। জজগী থৌওং অসিনা জুদিসিয়ারিগী থাক হন্থহনবা, মীয়ামগী তাজবা মাঙহনবা, মোব ইনজষ্টিসকী মফম হেন্না পীবা অমসুং লৈঙাক খুনাইবু মোৎহনবগী মায়কৈদা ঈনোৎ হাপ্পবরা হায়না মীয়াম্না চিংনরি।

জাৎ কাঙলূপ নাইবা খুন্নাইরোলদা য়ুম্ফম ওইরিবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তদি, চৎন-পথাপ্না লৈঙাকপা (রুল ওফ লো) গী মখা দিমোক্রেসিগী খোঙথাং অসি ৱায়েলশঙগী অচুম্বা তৌবা নৎত্রগা তৌদবগী মখা য়াম্না পোল্লি। ইন্দিয়াগী কনষ্টিটুয়সন্না জুদিসিয়ারিবু ইকজিক্যুটিবদগী তোপ-তোপ্না থম্মি। মসিগী মরমদি ইকজিক্যুটিবনা জুদিসিয়ারিবু ঈথিল পীবা নৎত্রগা লাকশীল্লগা থম্বা য়াহন্দনবনি। মীৎয়েং অসিদা, জুদিসিয়ারিগী নীংতম্বা অমসুং চৎন-কাঙলোন্না লৈঙাকপা (রুল ওফ লো) হায়বসি কনষ্টিট্যুসনগী মরু ওইবা ৱাফম্নি। জুদিসিয়ারিগী নীংতম্বা হায়বসি অমরোমদদি মখোয়গী থবক হাপ্পা (এপোইন্টমেন্ট), তলব, থবক পুবগী মতমনচিংবগা মরী লৈননা মনীংতম্না অমসুং মীচঙ মীখায় নাইদনা থবক তৌবা ঙমহন্নবনি অদুগা, তশেংবদি চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না জুদিসিয়ারিগী নীংতম্বা ফংহন্নবনি। অদুম ওইনমক, লৈঙাক্কী খূৎ য়াওদনা জুদিসিয়ারিনা তোঙান্না থবক পাঙথোকপা ঙমদে। মীচং-মীখায় নাইদবা অমসুং মনীংতম্না জুদিসিয়ারিনা লল্লোন ইতিক (ট্রেদ), ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং শেন্দানবগী কৈথেলশিংগীদমক্তদি য়াম্না মরুওইবা তৌজমল মহয় ফংঙি অদুগা জুদিসিয়ারি জুদিসিয়ারিদা করপসন তৌবনা লল্লোন-ইতিক, শেন্থুমগী চাওখৎপা অমসুং মীওইবগী ওইবা চাওখৎপদা চৈথেং পীরি। মসিনা খ্বাইদগী মরুওইনা লৈবাক মচা (সিটিজল) শিংবু ওঠৌরিটিশিং নৎত্রগা মখোয়গী য়ুমলোন্নবশিং নৎত্রগা অতৈগা খৎনরকপদা মীচং মীখায় নাইদবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদে। শেঞ্জাবা জুদিসিয়ারিশিংনা চুমদবা ৱায়েল অমসুং চিহৈ নাইনা খৎনবা খান্বদগী থোরকখিবা খোয়খা লিনখা থাবা অদুনা মরম ওইদুনা মখোয়গী কাঙলূপ খুনাইবু তংখায় খায়দোকই নৎত্রগা মচেৎ তানা থুগাইরকই। শেঞ্জা থুমজানা চাহৎলবা ৱায়েল কাঙলোন্না লৈঙাক্কী সেত্তঃর খুদিংমত্তঃা করপসন য়োকখত্তুনা গভর্নমেন্টবু থাজবা মাঙহল্লি।

করপসনগী ৱাখল্লোল অমসুং মখলগী মরীদদি জুদিসিয়ারিদা করপসন তৌবা হায়বসি 'মরন্নাইগী কান্ননবগীদমক্তা মথৌ ওইনা শিন্নখ্রবা থৌদাংবু লান্না শীজিন্নবা' হায়না লৌরি। থৌওং অসিনা লৈঙাক লৈশেন্নোনগী অমসুং শিনফমগী ওইবা কারাম চাউববু হেনগৎহল্লিবা হায়বদি, শেন্থুমগী ওইবা ওইজবা থিববু খঙহল্লি। থৌওং অসিনা ৱায়েলশঙগী কাঙলোন মনুংদা চিহৈ নাইদনা মথৌ তৌজরিবশিংবু কনাগুম্বা অমনা অরানবা ঈথিল পীরকপগী থৌওংবুসু কোনশিল্লিবনি। খুদম ওইনা, অৱাংবা লৈঙাক্কী থাক অমসুং খুনাইগী থাক লৈরবা মরাল লৈরবা মীওই অমগী ৱায়েল চথবদা জজ অমনা অচুম্বা উৎনবগী খুদম চাংদম (ইভিদেন্স) উৎহনবা নৎত্রগা উৎহন্দবা য়াই। জজশিং নৎত্রগা কোর্টকী ষ্টাফনা পার্টি অমবু নৎত্রগা অতোপ্পা অমবু হেন্না চানবিদুনা কোর্ট কাগদবা চৈচৎ লেপ্পদা খুশি তৌরি। অসুম্না ৱায়েল কাঙলোনগী অতৈ-অতোপ্পা থবক থৌওং কয়ানা ৱায়েলশঙগী শেঞ্জা থুমজাবু ঈনোৎ হাপ্লি। অদুগা ক্রিমিনেল কেশশিং অসিনা কোর্ট য়ৌদ্রিঙৈদা শেঞ্জা থুমজা চথনরি। ক্রিমিনেল মহাক্না ক্রাইম তৌখি হায়বগী খুদম চাংদমশিং পুলিসনা খুৎ চঙদুনা মাঙহনবগী থৌদোকশিং লৈরি নৎত্রগা পুলিসনা পুথোরকপা খুদম চাংদমশিং অদুগী মতুংইন্না প্রোসিক্যুটরনা চিহৈ নাইদবা পাদম থাবা ঙমদবদগী ক্রিমিনেল কেসশিং অসি কোর্ট য়ৌদ্রিঙৈদা মোৎশীলহনবা (করপসন তৌবা) ঙম্মী। অসুম্না, জুদিসিয়ারিগী শেঞ্জা থুমজা অসিনা ৱায়েল (টাইয়েল) চথদ্রিঙৈ মমাঙদগী হৌরগা ৱায়েল চথরিঙৈ মনুং (ট্রাইয়েল প্রসিদিংস) অমসুং কোর্টনা অরোয়বা ফিরেপ লৌরকপগী খোঙথাংদসু মোৎশীনহনবা (করপসন) উরি। মসিগী মথক্তা অৱাবা অশোয়বা য়াওরবা ৱায়েল ৱারোই (ভার্দক) অমবু চুমথোক্লবগীদমক্তা আপিল তৌবগী থৌওংদা জুদিসিয়ারিদা শেঞ্জাবগী খুদোংচাবা মফম হেন্না ফংনরি। শুপচীন্না য়েংলবদা, শেঞ্জা থুমজা য়াওদ্রবা তরু-তরুবা ৱায়েল কাঙলোন অসিগা কাঙলোনা নাইনা খুৎ চঙলবা ৱায়েল কাঙলোন অসিগা খেন্নবদি ময়েক শেংনা লৈরি।

ইন্দিয়াদা ৱায়েল কাঙলোন্দা শোকহনবা করপসন মখল অনী লৈ, অমনা ৱায়েল চথরিঙৈ মনুংদা লৈঙাক্কী মনুংচল্লিবা ইকজিক্যুটিব নৎত্রগা লেজিসলেটিবকী মশা মরেংশিংনা খুৎচঙবা অদুগা অনীশুবদা শেঞ্জা থুমজা তৌবা অসিনি। জুদিসিয়ারিগী নীংতম্ববু কন্নবা হোৎনবদা হৌখিবা মীরোল কয়া চঙনা অওনবা অহোংবা (চিফোর্মেসন) কয়া পুরক্তুনা হোৎনরবসু, জজশিং অমদি কোর্টকী থৌপুবশিংনা মপাঙ্গল লৈরবা লৈঙাকপশিং অমসুং শেল

**হাওবা**

পায়রবা মীওইশিংনা পীথরকপা অকনবা ঈথিল মায়োক্লদুনা লাক্লি অমসুং চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মথৌদাং পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি। পোলিটিকেলগী ওইবা খুৎ থিংজিনবগী থৌওং অসিনা কিহনবা, পামহনবা অমসুং জজশিংবু শেঞ্জাবা ওইহনবগী থৌওংশিং য়াওরি।

তশেংবদি, জুদিসিয়ারিগী নীংতম্বা হায়বসি মীয়ামগী ওইবা থাজবদা য়ুম্ফম ওইবনি। লৈবাক অসিদা পাল্লিবা জুদিসিয়ারি কৌবা ইনষ্টিট্যুসন অসিগী পুকচেল শেংবা অমসুং অচুম্বা চৎপগী মণ্ডণ (ইন্টেগ্রিটি) অদু মফমসিদা অদুক্কী মতীক মরুওইরি মদুদি ইন্টেগ্রিটি অসিনা ইনষ্টিট্যুসন অসিবু থাজবা পীরিবনি, মীয়াম্না থাজবা থল্লিবনি।

চাওখৎদ্রিবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তঃদি ৱায়েলশঙগী ওইবা অমসুং লৈঙাকপশিংগী ওইবা শেঞ্জা থুমজা অসি অমগা অমগা শৌগৎনদুনা মতেং পাংনৈ। ৱায়েল কাঙলোন মোৎলবা, শেঞ্জা থুমজারবা মফমশিং অদুদা শেঞ্জা থুমজা চথরিবা অমসুং কিহন- খংহনবা চথরম্বা মীওইশিংগী মথক্তা পীরকপা চৎন-পথাপ ইন্দবগী চৈরাক অদুসু চৎনবা ঙমদবগী ফীভম মায়োক্ন রি। অসিগুম্বা মরু-মরা তাখ্রবা অমসুং মচা-মনাই কয়া শন্দোকখ্রবা লাই ফত্তবশিংনা অসুক্কী মতিক মাঙ-তাকপা থবকশিং তৌরিবনি মদুদি পুকচেল শেংবা, চুম্না চৎপা মীওই কয়া কয়বু পব্লিক সার্বিস নৎত্রগা পোলিটিক্স নৎত্রগা অতৈদা থবক চঙবদা অমদি মায়পাকপদা অমাঙ-অতা থোহল্লিবা অসিনি।

শেঞ্জা থুমজাবা হায়বা ৱায়েল কাঙলোন মোৎশীলহনবগী অনীশুবা মখল ওইরিবা অসিদি ৱায়েল কাঙলোনগী খোঙথাং খুদিংমক্তা থোকহল্লি। কোর্টগী থৌপুবা (ওফিসিয়েল) শিংনা মখোয়না হেক্তা তৌবা ঙম্বা থবক্কীদমক শেল লৌনরি, অদুগা উকিলশিং কেস পায়খৎপা নৎত্রগা য়েথোকপগীদমক্তা অহেনবা শেল পীয়ু হায়বা য়াওরি নৎত্রগা কেস শোক্নরিবা মীওই হায়বদি ক্লাইন্ট অদুগী মায়কৈদা জজনা চানবিনবগীদমক্তা জজদা শেঞ্জা থুমজা তৌবা য়াওরি। মখোয়গী মায়কৈদা, জজনা কেস থীনথহন্নবা নৎত্রগা থুজিনহন্নবা নৎত্রগা অয়াবা পীবীনবা নৎত্রগা আপিল য়াবিদনবগীদমক্তা শেঞ্জা থুমজাগী অয়াবা পীবা অমসুং অতৈ জজশিংবু কেস অদুগী অতোপ্পা মায়তৈদা নাকোয়নহনবা ফিরেপ লৌহন্নবগীদমক্তা ঈথিল পীনরি। ফীভম অসিদদি, কেস মায়োক্নরিবা দিফেন্দেন্ট নৎত্রগা লিটিগেন্টশিংনা জজশিংগী অমসুং ৱায়েল খোঙথাংদগী পুকচেল শেংবদা চিংনবা লৈরবদি, মখোয়না মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা থুংনবগীদমক্তা উকিলশিং অমসুং জজশিং য়াওনা কোর্ত্তকী থৌপুবা ওফিসিয়েলশিংবু মচীন মেন্নবা শেঞ্জা থুমজা চথহনবগী ফীভম লাকহল্লি।

মরম অদুনা, ৱায়েল কাঙলোনগী করপ্সন অসিনা চিহৈ নাইদবা ফিরেপগী খোঙথাং খুদিংদা চৈথেং পীবদা নত্তনা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনবদা, চৎন-কাঙলোন চৎনহনবদা, খনগৎলবা আইনগী মচাকশিংগী তোপ-তোপ্পা ৱাহন্থোক খঙহনবদা অমসুং খুনাইগী মায়ওল চুল্লিবা মীয়ামগী পুক্নিং ৱাখলবু মমায় চুল্লিবনি। অসিগুম্বা ৱায়েলশঙগী ওইবা ফিরেপ লৌবগী খোঙথাং খুদিংমক্তঃদি চিহৈ নাইদবা ৱায়েল অসি অসুক্কী মতীক মরু ওইরিবনি মদুদি ৱায়েল চথরিঙৈগী খোঙথাং খুদিংমত্তঃা জজগী খঙবা হৈজবগী থাক অমসুং মতীক মণ্ডণ অদুনা ৱায়েল ৱারোই পীবদা ঈথিল পীবগী ওইথোকপা য়াম্না লৈরিবনি। অসুম্না পুম্নমক্না খঙনরিবা জুদিসিয়ারিগী করপসন অসিগী হৌরকফমদি অপাম্বা, কল্লক মিহৌবা নৎত্রগা কারাম চাউবা ৱাখলনা হুমদুনা পুরিবা অপাম্বা মিহৌবা অদুননি। মতাংসিদা, জজশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং অসি খল চানা মপু ওইহনবা চঙলি অদুগা অমরোমদনা লন্নাই মীওইশিংনা মখোয়না থাজরিবা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনবদা মীয়ামগী থাজবা অদুগী মথৌ তাবগা লোয়ননা চঙশীনফম থোকই।

মরম অদুনা, দিমোক্রেসি লৈঙাক্তদি ৱায়েলশঙগী পুকচেল শেংবা অসি পুরক্লবগী অমত্তা ঙায়রবা লম্বীদি নীংতম্বা পীবা, মনুং ফাওনা উহনবা, (ট্রান্সপরেন্সি) অমসুং দায়জ লৈনা থবক পাঙথোকপনি। অদুগা ৱায়েল শঙগী অশেংবা পাঙ্গলদি মীয়াম্না থাজবিবা অমসুং পুক্নিং লুম্বা ফীভম পীরকপা অদুনি। ৱায়েল কাঙলোন্না চুম্না, পুকচেল চাউনা অমসুং মোৎপা লৈতবা ওইনা ৱায়েলশঙবু উরক্লবা মতমদা অসিগুম্বা মীয়ামগী থাজবীবা অসি লৈরক্কদৌরিবনি অদুগা ৱায়েলশঙদা করপসন পাকশন্না লৈরে হায়না ঙাংনরকপা মতমদদি মীয়াম্না ৱায়েল কাঙলোনদা থাজবা মাঙখিবদা নত্তনা ৱায়েলশঙগী পাঙ্গল ময়েং তাহল্লিবনি। জজশিংবু অমসুং অতৈ থৌ পুবশিংবু মশাগী ইন্টগ্রিটি লৈনা অমসুং নীংতম্বা ফংবগা লোয়ননা মথৌদাং পাঙথোকহল্লবা অখন্নবা ট্রেনীং মথৌ তারি। নৎত্রবদি কোর্টদা ননশীন্দুনা লৈরিবা কেসশিংগী পোৎলুম অসি মতমগী খুৎলায়গা লোয়ননা অরুম্বা হন্থহনবা ঙমদ্রবদি অমসুং ৱায়েল চথবগী দায়ত্ব লৈবা ফীভম (এক্কাউন্টেবিলিটি) অসি লৈহনবা ঙমদ্রবদি, কাঙলোন নাইনা কেস পায়খৎবা হায়বদি কেস মেনেজমেন্ট অসিবু মোৎলবা, শেঞ্জা থুমজানা হারবা কোর্টশিংদা মায়ওল চুন্নকপা মতমদদি মতীকচানা মোৎলবা, করপ্ট ওইরবা কোর্টকী থৌপুবশিং অমসুং জজশিং ওল্লকপা তাবনি। মীত্তাঙবগী লমদমদা নাপঙবনা ৱায়েলবা তাবনি।।

# ইবোবীনা চরোৎ হাবুংদা খংবা

**এ বালু**

হন্দক নাগালেণ্ডদা লৈবা নাগা ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন (এন এস এফ) কৌবা মহৈরোইশিংগী ওর্গনাইজেসন অমনা ধপ তৌবদা খংদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হোৎচিন্দুনা সরেন্দর তৌখিবা অসি মৈতৈ ৱাহৈদা চরোৎ হাবুংবু লাই ওইরবোই নীংদুনা খঙবগী হৌনবী অদুনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৪/১৫ দা ইউনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (ইউ এন সি) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নাগাকী ভাবনা শাবা কুম্মৈ অদুদা য়ুমথংনবা নাগালেণ্ড অমদি মীজোরামগী চীফ মিনিষ্টর অনী কৌরগা লাওথহনখিবা অদুদগী পাখৎখিবদগী ইথক থকৎলিঙৈদা এন এস এফ কী ধপ অসি তৌরকপদুদা খংবোই পাখৎপোই সরেন্দর তৌখিবা ওইরম্বদি য়াই। অদুবু মসি মণিপুরীশিংগী মরুওইনা চহী কয়া লিশাংশিংনা মঙক হায়গৎতুনা খা এসিয়া অমদি খা-নোংপোক এসিয়া অনীগী মরক্তা শক্তি লৈবা জাতি অমা ওইনা হায় হুম্না পাল্লম্বা মৈতৈশিংগী মশিংখা মথৌনাদা অচৌবা ৱাহং হংবা থৌদৌ অমনি হায়না লৌদবা য়ারোই। মণিপুরদা লৈরিবা নেস্নেল হায়ৱে অনী অসিদা মণিপুরদা পুন্না খুন্দামিন্নরবসু মীতৈবু তাথি-তাওইনা তৌবদা নুংঙাইজবা নাগা অমদি কুকি গ্রুপনা থিংনিংবা মতমদা থিংবা ওৎ-নৈনিংবা মতমদা ওৎ-নৈবগী থৌদৌ অসি লেপ্তুনা চৎথদুনা লাকখিবনি। ইউ এন সিগী শাংলবা ইকোনোমিক ব্লোকেট অমদি বন্দনা থা অহুম লম্বী থিংজিনখিদুনা হীংবদা তঙাই ফদনা চংবা পোৎলমশিং এরোপ্লেনদা হোনজিনলকপগী থৌদোক থোকখ্রে। মতম অদু ফাওবদা মণিপুরগী মীয়াম খা চীকতুনা খাঙখি। চীফ মিনিষ্ট ও ইবোবী মশানা লুচিংবা গভর্নমেন্ট অদু উপায় লৈজদবগী মতৌ উৎলবসু হোৎচিন্দুনা বন্দ ব্লোকেট তৌরিবা কংঙবুদা সরেন্দর তৌবগী ৱাফমদি লৈখিদে ইউ এন সি না মণিপুর গভর্নমেন্টকা মরী তৎনরে হায়দুনা মখল কয়াগী খোঙজং লেপ্তুনা চথরক্লিবা অসিদসু মণিপুর গভর্নমেন্টনা মদু তৌবীগনু হায়না হায়জবসু লৈরক্ত্রি। অদুগা হন্দকনা য়ুমথংনরিবা নাগালেণ্ডদা বেজ তৌবা নাগা ষ্টুদেন্ট ফেদরেসনগী ধপ অমদা অদুক য়াম্না পাখৎতুনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী অৱাংবা থাক্কী ওফিসার থাদুনা হায়জহল্লুবা লোয়ননা নাগা মহৈরোইশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না নিয়ম চুম্না মথৌ তৌজবা মণিপুর পুলিসকী মীওই মঙাগী সসপেন্দ ওর্দর নাগা মহৈরোই লূপ অমদা পীদুনা সরেন্দর তৌররিবা অসি খন্নদবা য়াদবা ৱাফম অমনি। নাগা মহৈরোই লূপশিং অদুনা মণিপুরগী পুলিসকী থৌদৌদা পেন্দে হায়দুনা মণিপুরগী গারীশিং থিংবসু নত্তে। মণিপুর পুলিসকী থৌদৌ পেন্দ্রগা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা লূপশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা মৈতৈশিংখক্তং খনগৎলগা মখোয়গী গারীশিং নাগা তাবা লমদা চংবা য়ারোই হায়না চংশিলকপা খোঙথাং অসি নাগা মহৈরোই লূপ অসিগী মপুকথোক্কী ৱাখল ওইরমগনি হায়না হেক্তা থাজরুবসু লানগনি। অমরোমদা নাগালেণ্ডদা বেজ তৌবা নাগা মহৈরোইশিংগী লূপ চংশিলকপা খোঙথাং ওইনা মণিপুরগী ঙমখৈদা চংশিলক্তুনা গারীগী চে-চাং মুনবা শো মুনবদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টনা তিঙক তিঙক য়েংদুনা লৈবা নত্তনা গভর্নমেন্ট অমা পাল্লি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফাওবা পীখিদবা অসিসু মীয়ামদা চমম্নবা পোকহনবা থৌদৌ অমনি। অদুগী ওন্ন-তৈনবদা মণিপুর এসেমব্লিদা হোমগী থবকসু য়েংশিল্লিবা দিপুতি চীফ মিনিষ্টনা নাগা ষ্টুদেন্ট ফেদরেসনগী লুচিংবশিং অদুদা অয়াম্বা কা হেনবা লিচৎ চৎখিদে হায়না লাওথোকখ্রবা মতুংদা মথৌ তৌজরিবা মণিপুর পুলিসকী পার্সোনেল মঙাবু সসপেন্দ তৌথোকপা হায়বসি গভর্নমেন্ট অসি মচিং মশোন নাইরে হায়না মীয়াম্না লৌনবগী মচাক ওইহল্লি। থৌদোক অসিগী মতুংদা কংগ্রেসকী এম এল এ ২০ হেনবনা থৌদৌ অসিবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী মীফম কৌনবা চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনবদগী মীতিং পাঙথোক্তুনা খন্নবগী পাওদি লৈরে। নাকল অমরোমদনা মণিপুরদা য়েলহৌমী কনবগী অকনবা ইহৌ শাগৎখিবা জে এ সি আই এল পি সিষ্টেমগী ষ্টুদেন্ট উইংনসু নুমিৎ নিনিগী মতম থাখিবা লৈরে। মণিপুরগী মহৈরোইশিংগী লূপ অমদি সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন কয়ানসু থৌদৌ অসিবু পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী ফীরেপ লাওথোক্লবসু লেপত্রি। পূম্নমক অসি তারু উরুরগা মণিপুর গভর্নমেন্টকী থৌদৌ অসি লাইনা লৌথোকপা য়ারোইদৌরি। মরম অসিনা চীফ মিনিষ্ট ও ইবোবীনা হিরম অসিদা গভর্নমেন্টনা লৌখিবা ফীরেপ অসিগী মতাংদা মীয়ামদা মতম চানা ভাব তাহন্নবা হোৎনফম থোকই খোঙথাং হৈত্রবদি ফীভম অসি হেন্না লুশিলকপসু য়াই। জাতি অমগী ইজৎকা মরী লৈনবা চেকশিন্নীংঙাইনি।